# জম্মু এন্দ কাস্মিরদা ওইরিবা সিক্যুরিটিগী মতাংদা হোম মিনিষ্টরনা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোকখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুন ০৪ (এজেন্সী)ঃ
যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা কৌদুনা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা হৌজিক ওইরিবা সিক্যুরিটিগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে।

অমিত সাহনা হোম মিনিষ্টরগী থৌ পুরবা মতুং নুমিৎ হুম্নি লৈরগা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা অমরনাথ যাত্রাগী মতাংদসু খন্নখি। মীফম অদুদা হোম সেক্রেটরী রজিব গোব, এদিস্নেল সেক্রেটরী (কাস্মির) গ্যানেস কুমার অমদি হোমি মিনিষ্ট্রিগী অতৈমকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

মমাঙদা ষ্টেটকী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস দিলবাগ সিংহনা অমরনাথ যাত্রাগী মাংওইননা ইনিদয়া অমদি পাকিস্তানগী ঙমখৈদা সিক্যুরিটি কনখৎহনবগী ৱাফম ফোঙদোকখি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী কাতুৱা অমদি পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা চৎতুনা ফিভম য়েংশিনখিবা দি জি পিনা ঙমখৈদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা অমরনাথ যাত্রা মনুংদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

জুলাই ১দগী হৌগদৌরিবা অমরনাথ যাত্রাগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মফম কয়াদা কন্ট্রোল রুম অমদি সিক্যুরিটি চেক পোইন্টশিং হাংদোক্তুনা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। দি জি পিনা উধম্পুর অমদি কাতুৱাদা চৎলবা মতুংদা পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী মেন্ধার বোর্দরদা সিক্যুরিটি পার্সনলশিংগা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

ভিলেজ দিফেন্স কম্মিতি (ভি দি সি)শিং মপাঙ্গল কনখৎহনবগী তঙাইফদবা ৱাফম পল্লদুনা দি জি পিনা হায়খি মদুদি, অমরনাথ যাত্রাদা খুদোংথিবা থোকহন্দনবা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং ভিলেজ দিফেন্স কম্মিতিশিংনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

অমরোমদা যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমতি সাহনা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌনবগী থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনগদৌরি। কাস্মির তম্পাক্তা এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি মশিং য়াম্লগা জম্মু রিজনদা মশিং হন্থে হায়বগী ৱাকৎ লৈবা মরম্না ষ্টেট অসিদা এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী ঙমখৈ নৌনা অমুক য়াৎথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা কম্মিসন অমা শেম্লগা ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মীশিংগী মতুং ইন্না কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ঙমখৈ য়াখোক্লবগী থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনরগনি। কম্মিসননা রিপোর্ট পীখৎলক্লবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা অরোইবা ৱারেপ লৌগদবনি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী গভর্ণর সত্যা পাল মালিকনা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা লমাই অহুম পানবা রিপোর্ট অমা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহদা পীশিনবা লৈখ্রে।

# রাহুল গান্ধিদা সিটিজনসিপকা মরী লৈননা পীখিবা নোটিসকী অকুপ্পা ৱারোল ফোঙদোকউ য়াখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ০৪ (এজেন্সী)ঃ
যুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিদা সিটিজনসিপকা মরী লৈননা পীখিবা নোটিস অমগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদ্রে।

চংখরিবা ইনভেষ্টিগেসনদা অপনবা ওইহল্লকপা য়াবা মরম্না আর টি আই এক্টকী সেক্সন ৮ (১) (ঐচ) অমসুং (জে)গী মখাদা মতিক চাবা পাউখুম পীবা য়াদে হায়না হোম মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

রাজ্য সভাদা বি জে পিগী এম পি ওইনা লৈরিবা সুব্রামনিয়ম স্বামীনা রাহুল গান্ধিগী সিটিজনসিপকী মতাংদা চীংননিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা পি টি আইনা আর টি আইগী এপ্লিকেসন অমা পীশিন্দুনা রাহুল গান্ধিগী সিটিজনসিপকা মরী লৈনবা ৱাহং কয়া হংলকখি। হোম মিনিষ্ট্রিনা রাহুল গান্ধিদা পীখিবা নোটিস অদুগী অকুপ্পা ৱারোলশিংসু খঙহনবীরক্লবা আর টি আইগী এপ্লিকেসন পীশিল্লকখিবনি।

সুব্রামিনিয়ম স্বামীনা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমগী মতাংদা হোম মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, আর টি আই এক্টকী সেক্সন ৮ (১) (ঐচ) কী মতুং ইন্না ইনভেষ্টিগেসনদা অপনবা থোকহল্লকপা য়াবা পাউখুম অমত্তা পীবা য়াদে। সেক্সন (জে)গী মতুং ইন্না লন্নাই মীওই অমগী প্রাইবেসি খুৎথিংজিনবা য়াবা মওংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা য়াদে হায়নসু হোম মিনিষ্ট্রিনা খঙহল্লকখি।

স্বামীগী চেরোল পল্লদুনা হোমি মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি কুমজা ২০০৩দা বেকোপস লিমিটেদ কৌবা কম্পেনি অমা যুনাইটেদ কিংদমদা রেজিষ্টর তৌখি। হায়রিবা কম্পেনি অদুগী দিরেক্টরশিংগী মনুংদা রাহুল গান্ধিসু অমনি।

কুমজা ২০০৫গী ওক্টোবর ১০ অমসুং কুমজা ২০০৬কী ওক্টোবর ৩১দা বৃটিস কম্পেনি অদুনা ফাইল তৌখিবা এন্নুয়্যল রিটনর্সতা রাহুল গান্ধিগী পোকপা নুমিৎ কুমজা ১৯৭০গী জুন ১৯নি হায়না ইবা থেংনৈ। হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৭তা পীশিনখিবা এপ্লিকেসন অমদসু রাহুল গান্ধি বৃটিস মচানি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরী প্রিয়াঙ্কা গান্ধিনা হায়খি মদুদি অসিগুম্বা মখলগী অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা রাহুলগী মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনরে। রাহুল গান্ধি ইন্দিয়াদা পোক্লগা লৈবাক অসিদা চাওখিবনি হায়বা মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়নসু কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরীনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি কুমজা ২০১৫গী নভেম্বরদা রাহুল গান্ধিগী চপ চাবা সিটিজনসিপ খঙদোক্লবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)দা থিগৎহনগদবনি হায়না ফাইও তৌরকপা পাব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা সুপ্রিম কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রবনি।

অতোপ্পা আর টি আই এপ্লিকেসন অমগী পাউখুমদা হোম মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি কনাগুম্বা মীওই অমদা সিটিজনসিপকা মরী লৈননা পীখিবা নোটিসশিংগী রেকোর্দ মেন্টেন তৌবা মথৌ তাদে।

# দিল্লিদা লাক্কদৌরিবা পুং ২৪গী মনুংদা শাবগী চাং খরমখৈ হন্থরক্লগনি ঃ আই এম দি



ন্যু দিল্লি, জুন ০৪ (এজেন্সী)ঃ
লৈবাক্কী কোনুং ওইরিবা দিল্লিদা লাক্কদৌরিবা পুং ২৪গী মনুংদা শাবগী চাং খরমখৈ হন্থরক্লগনি হায়না ইন্দিয়না মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)না ফোঙদোকখ্রে।

আই এম দিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, অতিয়াদা লৈচিল নোংফাই থাংবগা লোয়ননা পুংদা কিলোমিটর ৪০ য়াংবা নুংশিৎ শীৎলকপা য়ানা লৈ। খ্বাইদগী শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪১ ওইরগা খ্বাইদগী ঈংবগী চাংনা সেলিয়স দিগ্রি ৩০ ওইরগনি।

প্রাইভেট ৱেদর মোনিটরিং এজেন্সি স্কাইমেটকী রিপোর্ট মতুং ইন্নদি দিল্লিদা নোং পারপ চুরবা য়াই হায়রি। মফম খরদা লৈচিল থাংবগা লোয়ননা নোং চুরকপা মরম্না দিল্লিদা শাবগী চাং হন্থরক্তুনা মীয়ামদা অৱাবা খরমখৈ কোকহনবা ঙম্লবা য়াই হায়নসু স্কাইমেটকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক হৌজিক লৈবাক্কী মফম খরদা কা হেন্না শাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্ল রিবনি। অকক্লবা মফম অমদা নুমিৎ নীনি থংনা থংননা টেম্পরেচরগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৫ য়ৌরবদি হিট ৱেব থোক্লে হায়না লৌনৈ। সেলসিয়স দিগ্রি ৪৭ য়ৌরগনা কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা হিট ৱেব থোক্লে হায়না লৌনৈ।

ইন্দিয়াগী মফম খরদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৫ য়ৌরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫ শীবগী রিপোর্ট লৈখ্রে। চীংগী ষ্টেটনি হায়না লৌনরিবা হিমালচ প্রদেশ অমদি উট্টরখন্দ য়াওনা ষ্টেট খরদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৫ য়ৌরকখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীওই ৫ শীখিবনি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা রাজস্থানগী মফম অমদা পুলিস পার্সনল অনী অমদি লৌমী অমা হিট ষ্ট্রোক তৌবদগী শীখি। গুজরাটকী সবরকন্থা অমদি রাজকোট দিষ্ট্রিক্টতসু মীওই অনী কা হেন্না শাবা হেনগৎলকখিবদগী শীখি। জুন ৩দা লৈবাক অসিগী ওইনা রজস্থানগী চুরুদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৯.৮ য়ৌরক্তুনা খ্বাইদগী শাবা সিটি হায়না লাউথোকখি।

রাজস্থানসি শ্রিগঙ্গানগরদসু টেম্পরেচরগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৮.৬ য়ৌরকখি। লৈবাক অসিগী ওইনা শাবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা সিটি ১০গী মনুংদা ৭তি রজস্থানগীনি। মালেমগী ওইনা শাবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা মফম ১৫গী মনুংদা ইনিদয়াগী সিটি ৮ য়াওরে হায়না ৱেদর ৱেবসাইট এল দোরেদোগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

# অৱাং নোংপোক্তা টুরিজম চাওখৎহল্লগনি ঃ প্রহলাদ পতেল

ন্যু দিল্লি, জুন ০৪ (এজেন্সী)ঃ
অৱাং নোংপোকলমদমদা টুরিজম চাওখৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না যুনিয়ন টুরিজম মিনিষ্ট্রিগী থৌ পুখ্রবা প্রহলাদ সিংহ পতেলনা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পিগী ওইনা মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক লমদমগী থৌরম পুদুনা লাকখিবা যুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌখিবা চহী ৫গী মনুংদা পায়খৎখিবা থবক থৌরাংশিং মখা তানা পায়খৎনবা হোৎনগনি।

ট্রান্সপোর্ট ভাবনদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, মমাঙগী লৈঙাকমতমদা লোইশিনবা ঙল্লম্বদবা থবক থৌরমশিং অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনগনি। মশাগী হৌরকফম ওইরিবা মধ্য প্রদেশকী দামো দিষ্ট্রিক্ট চাওখৎহন্নবগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক্কী মফম পুম্নমক চপ মান্ননা চাওখৎহন্ননবা থৌরাং লৌখৎকনি। অদুম ওইনমক বুন্দেলখান্দ রিজনগী মতাংদা শেরান্নবা ৱাখল্লোল অমা লৈরিবসি কোকহন্নবা হোৎনগনি।

লাইরবা মীওই কয়ানা খুন্দাবা মফম ওইবনা বুন্দেলখান্দ রিজদগী অতোপ্পা মফমশিংদা মীওই কয়ামরুম ময়ুম হোংনরে হায়বা শেরান্নবা ৱাখল্লোল কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎগনি।

# বি জে পি, কোংগ্রেসনা ই সি আইদা ইলেক্টোরেল বোন্দগী রিপোর্ট পিদ্রি

ন্যু দিল্লি, জুন ০৪ (এজেন্সী)ঃ
ইলেক্টোরেল বোন্দগী খুথাংদা ফংখিবা দোনেসনগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবা ইলেক্সন কম্মিসনদা রিপোট পীখৎতবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা বি জে পি, কোংগ্রেস অমদি দি এম কে য়াওরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না মে ৩০গী মমাঙদা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্না ইলেক্টোরেল বোন্দগা মরী লৈনবা রিপোর্ট কম্মিসনদা পীশিনগদবনি। মমাঙ থাদা ইলেক্সন কম্মিসননা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্তা অইবা চেরোল থাদুনা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং ঙাক্লবা খঙহনখি।

এপ্রিল ১২দা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খিবনি মদুদি পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্না ইলেক্টোরেল বোন্দগী খুথাংদা থমখিবা দোনেসন পুম্নমক মে ৩০ ফাওবগী মনুংদা ময়েক শেংনা ই সিদা খঙহনগদবনি।

# কুমজা ২০৩০দা ইন্দিয়ানা মকোক থোংবা সাইন্টিফিক নেসন ৩গী মনুং চল্লগনি ঃ হর্স ভর্ধন



ন্যু দিল্লি, জুন ০৪ (এজেন্সী)ঃ
মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী থৌ পুখ্রবা মতুংদা যুনিয়ন মিনিষ্টরস হর্স বর্ধননা হায়খ্রে মদুদি কুমজা ২০৩০ ফাওবদা ইন্দিয়ানা মালেমগী মাংজিল থাবা সাইন্টিফিক নেসন ৩গী মনুং চনবা ঙম্লগনি।

কুমজা ২০১৪গী নভেম্বর ৯দা অহানবা ওইনা মিনিষ্টর ওফ সাইন্সকী থৌ পুখি। হন্দক্কী মতাং অসিদসু সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী পোর্টফোলিও পীবিরকপগীদমক প্রাইমি মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

মালেমগী মাংজিল থাবা সাইন্টিফিক নেসন ১০গী মনুং চলহনবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী সাইন্টিসশিংনা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপা মরম্না কুমজা ২০৩০দদি লৈবাক অসি মালেমগী মাংজিল থাবা লৈবাক অহুমগী মনুং চনবা ঙম্লগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা অনীরকশুবা টর্মগী মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরিবা ডা. হর্স বর্ধননা ঙরাং সাইকল থৌদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরদা থুংলগখি।

হেল্থ মিনিষ্টরগী থৌ পুরবা মতুংদা মহাক্না ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী হকচাং ফহন্নবা হোৎনবনা খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দমনি হায়না পল্লদুনা মশাগী চহী ৬৪ শুরবা যুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাজবা থম্বীদুনা এন দি এ গী অনীরক শুবা টর্মগী লৈঙাক্তা অমুক হন্না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্ট্রিগী ফম পীরকখিবনি।

ৱর্ল্ড বাইসাইকল দেগা মরী লৈননা ত্বিটরদা ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমদা মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা সাইক্লিং হায়বসি খ্বাইদগী পামজবা মশান্না অমা ওইদুনা লাকখি।

# ওসিফল অমদা কেস ফাইল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ০৪ (এজেন্সী)ঃ
রেলৱেজগী একাউন্টতগী লুপা ক্রোর ২.২০ শাশিন্নবা ফার্ম অমদা পীথোকখিবগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না রেলৱেগী ওফিসল অমা অমসুং টেলঙ্গনাগী কম্পেনি ৩গী মথক্তা কেস ফাইল তৌখ্রে।

সাউথ সেন্ট্রেল রেলৱেগী এক্সপেন্দিচর সেক্সনদা থবক তৌবা একাউন্টস এসিষ্টেন্ট ভি গনেস কুমারনা শাশিন্নবা ফার্ম অহুমগী মিংদা য়াম্লবা শেনফম ট্রান্সফর তৌখিবগী মতাংদা রেলৱেজনা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌরকখি। রেলৱেনা হিরম অসিগী তাংদা থিগৎপদা জি এস টি নম্বর য়াওদবা শাশিন্নবা বিল ৩১গী ক্লিয়ারেন্স পীরম্বা থেংনখি।

**OFFICE OF THE**
**IBOTOMBI INSTITUTE OF EDUCATION**
**Kha Naorem Leikai, Liwa Road**

**B.Ed. and D.El.Ed. ADMISSION NOTICE**
2nd June, 2019

MIMA/IIE/Admn./2019-312(2) : Application in prescribed form are invited from eligible candidates for admission to two years regular course in B.Ed. and D.El.Ed. course for the academic session 2019-2020. Last date for issue and submission of Prospectus and Application form is 15th June, 2019. For further details contact the Office of the Institute on all working days during Office hour (11:00 a.m. to 04:00 p.m.)

*Sd/-* **Samantajit Mayengbam**
Administrative Officer
# 8794908593
HL-P/4347/3 & 5

**/ JOB NEWS**
**"NO DEPOSIT REQUIRED"**
মণিপুরগী মনুংদা ওইগদবা হৌজিক-হৌজিকমক দরকার ওইরিবা তোঙান-তোঙানবা Official Staff 81 (নুপা ৪৪/নুপী ৩৭) গীদমক কেন্দিদেটশিংদগী অথুবগী ওইনা থবক কৌজরি। মশাগী চহী ৩০গী মনুংদা লৈবা ক্লাস X, XII অমসুং Graduate তন্লিবা মীওইশিংনা থবক অসি এপ্লাই তৌবা য়াগনি।
Earning : Rs. 10,000/- to 35,000/- (PM)
Facilities : Lodging + Fooding + Free Tour
Apply তৌবীনীংবা মীওইশিংনা 12 noon to 3 pm ফাওবগী মনুংদা ইশাগী Bio-data গা লোয়ননা ওফিসতা লাক্তুনা তানবীয়ু।
HL-P/3876/3,5,7,11 **Contact : 8787501815 / 8414834122**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR**
**Ref :- Mut. Case No. 298/SDC/Bishnupur, 2019**
Thoudam Memcha Devi W/o (Late) Lukhoi Singh of Khoijuman Mamang Leikai. ...*Petitioner*
-Vs-
Thoudam Ibomcha Singh S/o (L) Chaoba Singh of Khoijuman...*O.P.*
**/ NOTICE**
Bishnupur, the 4-6-2019
Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Thoudam Ibomcha Singh S/o (Late) Th. Chaoba Singh of Khoijuman দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং ৩৯/৩৮৭ (অরিবা), ২০৫ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ১২৭০গী ০.৪২ চাউবা ইখ্খোল অসি পাট্টাদর মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। কেস মখা চত্থগনি।
HL-P/4353/5 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Bishnupur

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR**
**Ref :- Mut. Case No. 267/SDC/Bishnupur, 2019**
1. Thoudam Dhono Singh S/o (L) Amuthoi of Kwashiphai
2. Th. Ibopishak Singh S/o (L) -do- of -do-
3. Th. Tombi Singh S/o (L) -do- of Sega Road Thouda Bhabok Leikai
4. Th. Sharat Singh S/o (L) -do- of Keishamthong Longjam Leirak ...*Petitioners*
-Vs-
Thoudam Amuthoi Singh S/o (L) Tolpishak of Kwashiphai ...*O.P.*
**/ NOTICE**
Bishnupur, the 4-6-2019
Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Thoudam Amuthoi Singh S/o (L) Tolpishak Singh of Kwashiphai দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং ১২৪ (অরিবা), ৫৮ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ২৮৬কী ০.৫২ চাউবা ইখ্খোল অসি পাট্টাদর মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরশিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসি ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। কেস মখা চত্থগনি।
HL-P/4352/5 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Bishnupur

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST- PATSOI**
**Ref :- Mut. Case No. 425/SDC/IW(P) of 2019**
1. Thokchom Shanti Devi W/o (L) Bhagirot Singh of Patsoi Part-III
2. -do- Thoibi Devi, W/o (L) Koireng Singh of Yurembam Makha Leikai.
3. -do- Kheda Singh S/o (L) Senapati Singh of Govindagram Maning Leikai.
4. -do- Rita Devi, W/o Th. Prakash Singh of Yurembam Makha Leikai. ...*Petitioners.*
-Vrs-
1. (Late) Thokchom Senapati Singh S/o (L) Ningthou Singh of Yurembam
2. Thokchom Chandrash Singh S/o (L) Parijat Singh of Yurembam
3. (Late) Thokchom Bhagirot Singh S/o (L) -do- of -do- *Opposite Parties.*
**/ NOTICE**
4/6/2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুৎথাংদা খঙহঞ্জরি, ঈ:ও: পাৎশোইগী খুল নম্বর ৭৯-য়ুরেম্বমগী পাট্টা নম্বর ১৬ (অরিবা), ৬৮০ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১০৭৩গী এরিয়া ০.৩৮০০০ একর চাউবা ইংখোল অসিগী মনুংদা য়াওবা কো পাট্টাদার নং (১) অমসুং (৩) অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিনা হায়বদি দংকারিনি নং (১) না মৃ: কো-পাট্টাদার নং (৩) মপুরোইবগী স্বর্ত্তদা .০৯৫০০ একর, দংকারিনি নং (২), দংকারি নং (৩) অমসুং নং (৪) না কো-পাট্টাদার নং (১) গী স্বর্ত্তদা এরিয়া .১৯ একর মথংশিংনা মপাগী অমসুং মকুবোক্কী স্বর্ত্তদা নমা পাঙ্গরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনীংবা মৃ: পাট্টাদার (১) অমসুং (৩) গা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১০/৬/১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চত্থরগনি।
HL-P/4355/5 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Imphal West, Patsoi

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**
**Ref :- Mut. Case No. 649/SDC/NBL of 2019**
Laishram Narendra Meitei S/o (L) L. Naba Meitei of Utlou Mamang Leikai (Area 0.23 acre on the eastern Portion) ...*Petitioner*
-Vrs-
1. (L) Laishram Naba Meitei S/o (L) L. Manglem Singh of Utlou
2. Laishram Manimohol Singh S/o (L) L. Manglem Singh of Utlou ...*O.Ps.*
**/ NOTICE**
Dt. 4/6/2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 16-Utlou Patta No. 115 (old), 34 (new), dag No. 11, area 0.41 acre of Anganphou Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদর নম্বর (১) অসি লৈখিদ্রে। মরম অদুনা দংকারিনা পাট্টাদার নং (১) গী শরুক্তগী মথক্তা পল্লিবা মাগী শরুক অসি মঙোন্দা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।
HL-P/4267/5 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Nambol

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**
**Ref :- Mut. Case No. 646/SDC/NBL of 2019**
1. Chingtham Santi Singh S/o Ch. Ibohal Singh of Kha-Sanjenbam Makha Leikai.
2. -do- Jiten Singh S/o Ch. Tomba Singh -do-
3. -do- Ibobi Singh S/o Ch. Thonglen Singh -do-
4. Laishram Modhu Singh S/o (L) L. Khomei Singh -do-
5. -do- Meidhe Singh S/o L. Ahongjao Singh -do-
6. -do- Machaton Singh S/o L. Ahongjao Singh -do-
7. Lourembam Ojit Singh S/o L. Jugin Singh -do- ...*Petitioners*
-Vrs-
The Modern Ngayok Marup Fish Farm Self Help Group. Kha-Sanjenbam. Secretary Yumnam Somendro Singh ...*O.P Pattadar*
**/ NOTICE**
Dt. 4/6/2019
Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১০-পুখ্রম্বমগী পাট্টা নং ৪৭৭, ৮৯১/১৪৬০, ৭৮৪/১২৫২, ৮৯৭/১২১১, ১২৫, ৮৯৫, ৭৩০, ৯৭৫, ১০৮, দাগ নং ১৬২৭, ২১৮৯/২২৯০, ২১৩৭, ২২১৭, ২১৫৮/পি, ১৫৫৯, ২১৮৭, ২০১৭, ১৫৫৪, ২১৮২, ২১৫৫, ২১৫৬, ২১৫৭ ওফ ফৌরেল ক্লাস হায়রিবা লৌফম অসি পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিশিংগী মমিংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।
HL-P/4268/5 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Nambol

**/ থৌ পুবা খনখ্রে**
ঙসিগী মীফমনা য়াম্না মুন্না খন্নরবা মতুংদা মখাগী ৱারেপশিং অসি মোৎ অমত্তা ওইনা য়ানখি।
ভাইস প্রসিদেন্ট (য়ু এন দি সী) গী অয়াবা লৌরগা
**১বা ৱারেপ :** নরানসৈনাগী ওইনা লৈরিবা য়ুনাইটেদ নরানসৈনা দিভলপমেন্ট কম্মিটি (য়ু এন দি সী) অসি হৌখিবা তাং ২৬/৫/১৯ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎতা দিজোল্ব তৌরে।
**২বা ৱারোল :** নৌনা থৌ পুনবা খল্লবা মীওইশিংগী লিষ্ট মখাদা পীজরি-
1. Thokchom Ibopishak Singh - President
2. Ningthoujam Ranjit Singh - Senior Vice President
3. Salam Boge Singh - Vice President
4. Longjam Premjit Singh - General Secy.
5. Chingangbam Inao Singh - Asst. Secy.
6. Haobijam Sayaima Singh - Cashier
7. Pukhrambam Basant Singh - Information & Publicity
8. Ningthoukhongjam Bimol Singh -do-
9. Pukhrambam Kiran Singh - Audit
10. Anoubam Devdutta Sharma - Audit
HL-P/4264/5 **Sd/- Vice President, UNDC**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR**
**Ref :- Mut. Case No. 299/SDC/Bishnupur, 2019**
1. Wairokpam (N) Sanasam (O) Yaimabi Devi W/o S. Ibochouba Singh of Toubul
2. Sanasam (N) Phanjoubam (O) Tangthoi Devi W/o Ph. Inaocha Singh of Kwasiphai
3. -do- (N) Maisnam (O) Santi Devi W/o M. Subaschandra Singh of Kangmong.
4. -do- (N) Asem (O) Maniton Devi W/o A. Ibomcha Singh of Toubul. ...*Petitioners*
-Vs-
Wairokpam Ibomcha Singh S/o (L) W. Toyaima Singh of Khoijuman Khullen. ...*O.P.*
**/ NOTICE**
Bishnupur, the 04-06-2019
Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Wairokpam Ibomcha Singh S/o (Late) W. Toyaima Singh of Khoijuman Khullen দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং ৩৯/৩৫২ (অরিবা), ৩৯/৩১ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ৪গী ০.৬১ চাউবা ফৌরেল অসি পাট্টাদর মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরশিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। কেস মখা চত্থগনি।
HL-P/4353/5 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Bishnupur